থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুপী দ্রামা ফেষ্টিবেল মনুংদা সেমিনার

'নুপী-দ্রামা-ফেষ্টিবেল'! দিসেম্বর ২৪দগী হৌরগা হৌজিকসু মখা চথরিবা, ২০২০ জন্যুৱারী ২দা লোইগদবা, দ্রামা তরাগী কুমহে অমনি - নুপী দ্রামা ফেষ্টিবেল! মফমনা - অৱাচীং, কৈরাও খুন্নৌদা লৈবা 'খেঞ্জোংলাং' - থিয়েটর রিছার্স অমসুং প্রদক্সন সেন্টর'দা। দিসেম্বর ২৪, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, শ্রীনোংথোম্বম বিরেন'না অথোয়বা মীথুং ওইনা হৌদোকখিবা 'ওপনিং সেরিমোনি'দুদা চেবাউ ফংদুনা লেঙবীরক্লম্বা, মখা তানা দ্রামা ফেষ্টিবেল য়েংবা লেঙবীরক্লিবাময়াম্নদি খঙবীরম্লনি - নুপী দ্রামা ফেষ্টিবেল, নুপী-শুমাং-লীলাগুম নুপী ঙাক্তনা শান্নবা দ্রামাশিংগী কুমহে (ফেষ্টিবেল) নত্তে। য়েস! নুপীনা দিরেক্টর ওইবা দ্রামাশিংগী কুমহৈনি। মণিপুরখক্কী নত্তবা, অৱাং নোংপোক (নোর্থ-ইষ্ট) ইন্দিয়াগী। তোঙান তোঙানবা থিয়েটর গ্রুপ তরা'না শরুক য়াবা ফেষ্টিবেলসিদা য়াওরি মণিপুরদগী তরেৎ - যুম্লু ওইরিবা 'খেঞ্জোংলাং (দিরেক্টর এস থানিন লৈমা); কংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্টস কম দ্রামা এসোসিএসন (দি এস মুক্তাবল্লি); বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটর (দি: ক্ষেত্রিময়ুম ফজতোন); পিপলস আর্টস এন্দ দ্রামা এসোসিয়েসন (পাদা, দি: লাইশ্রম রন্ধোনি); প্রোস্পেক্টিব রিপর্টরি থিয়েটর (দি: তোইজম সীলা); পান্থোইবী নিষাবন্দ লীলা লূপ (দি: তখেল্লম্বম কমলা); কলাক্ষেত্র, মণিপুর (ইমা সাবিত্রি এক্ট্রেস স্পেসল)।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফাল অমদি সঙ্গিৎ-নাটক একাদেমি, ন্যু দিল্লিগা খূৎশম্নরগা মণিপুরগী থিয়েটর রিছার্স অমসুং প্রদক্সন সেন্টর 'খেঞ্জোংলাং' না থৌবু ওইদুনা শিনবনি। নুমিৎ তরানিগী ফেষ্টিবেল অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমসুং শিংথানীংঙাই ওইবদি - তারিখ ২৫দগী হৌখিবা, ঙসি, দিসেম্বর ২৮ ফাওবা চথগদৌরিবা, নুমিৎ মরিনিগী 'নেসনল থিয়েটর সেমিনার' অদুনি।

সেমিনার অদুগী হৌবা নুমিৎ, দিসেম্বর ২৫ - থোইদোকপা, অখন্নবা হীরম অমদা খঙ-হৈরবা (রিছোর্স পর্সন) অমনা অইবা চে অমা পাথোক্লগা, মহাক্না পাথোকখিবা চেরোল অদুদা দেলিগেট/ওবজার্ভর ময়াম্না ওবজার্বেসন পীদুনা খন্ন-নৈনবা-অদুগুম্বা সেসন নৎখিদে। অশিন-অরাং তৌরিবশিংগী থৌরাং মতুংইন্না, ফেষ্টিবেলসিদা অখন্নবা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা, শক্লাইরবী নুপী-থিয়েটর পর্সোনেলিটি মঙা (অনুরাধা কাপুর, কির্টি জৈন, উষা গাঙ্গুলি, মায়া রাও, হৈস্নাম সাবিত্রি) মরক্তগী, মপান্দগী লাক্কদবা মরীগা লোয়ননা ফম্মীন্নরগা ইন্টর-এক্সন তৌবনি। অদুবু, খুদোংচাদবা/অনা অয়েক য়াওরকপদগী অনুরাধা কাপুর অমদি উষারানি গাঙ্গুলি, অনী লাকপা ঙমখিদবনা, হান্নগী 'নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা' গী দাইরেক্টর ওইরম্লবী 'শ্রীমতি কির্টি জৈন' অমদি মালেম শীন্না মমিং লৈরবী, থিয়েটরগী সোলো পর্ফোর্মর 'শ্রীমতি মায়া কৃষ্ণ রাও'গা লোয়ননা মায়োক্লনা ফম্মিন্নদুনা মখোয়না থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্স অমদি নোলেজ সেয়র তৌমিন্নবগী 'ব্রেন-ষ্টোর্মিং সেসন' অমা পাঙথোকখি। পুং অহুম চুপ্পা চথখিবা সেসন অদুগী খ্বাইদগী ইন্টরেষ্টিং ওইবা, কাউঙমদবা শরুক্তি - মায়া রাওগী, মশামক্লা তৌবা দেমোন্সট্রেসনগা লোয়নবা লেকচর অমদি ৱাহং-পাউহংগী তাঙ্কক অদুনি। তাঙলবা তাঞ্জা অমনি।

কির্টি জৈন'গী মেথদ'না অমনি, মায়াগীদগী পুমতোপ তোপ্পা। নুপী - থিয়েটর-দাইরেক্টরশিংগী দ্রামা ফেষ্টিবেল মনুং চন্না পাঙথোকপা থিয়েটর সেমিনারনি, নুপা ঐখোয় করিগী য়াওফম থোকপগে হায়বই মওং মানবা, লাকহন্নীংবা/শোয়দনা লাক্কনি খল্লম্বা মীওই কয়া লাকখিদবদু, ইতোমতা খনখি - তাঙলবা তাঞ্জা অমা মাঙহনখ্রে। মায়া রাও মশামক্লা ইন্সটিট্যুসন অমগা পাংখক ওইরবা, মালেমগী মফম কয়াদা কোয়না-থুংনা চত্তুনা মথন্তগী (সোলো) পর্ফোর্মেন্স উৎলুরবা, চহী চুপ্পা নোংমতা কাংদা' 'লেকচরর/দেমোন্সট্রেসন' উৎলিবা মমিং চৎলবা পর্ফোর্মর অমনি। 'মায়া অমসুং কির্টি' মফম অমদা, মতম অমত্তদা পুল্লপ পূন্না লৈরবা! অদুগা, অদুগুম্বা তাঞ্জাদু ঐখোয়না লেপ্পা মাঙহনখিবা! থিয়েটর পান্মী হায়জবা, মসিনা শিনফমনি খঞ্জবা, মখোয় কদায়দা লোৎখিবা? তোম্বা/তোম্বী/চাউবা/চাউবী... মখোয়না শিনবা থৌরমদি, ঐখোয় য়াওরোই য়াওরুনু... মখোয় মশক নুংশিদে... মানা চেবাউ পীববু ঐনা করিগী চৎলুনি... অসুম্না ঙাঙনবা য়াওহৌই, কনাগুম্বনা তন্নকই। শাউনীংবদি হায়রুনু, নোক্লীংবদুম ফাওরকই ... অসিগুম্বা পুকচেল মতাদুনা হ্যুমেনিটিগী অৱাংবা থাক অমনি খন্নরিবা 'থিয়েটর' কৌবা কলাসিবু করম্না থাগোন্নবা ঙমদৌরিবা!

নীনি চনবা থিয়েটর সেমিনার নুমিৎকী অহানবা পেপর 'রোল ওফ নাট্য-সাস্ত্র ই সর্চ ওফ ন্যু এক্সপ্রেসন্স' - য়ু পিগী মোরাদাবাদ সহরদা পোকখিবা, দিল্লিদা মহে তম্লক্লগা, মফমদুদা খুন্দা-লৈতা-লৈখ্রবা স্কোলার 'ভারত গুপ্ত' না ইবনি। চেদু ইচম চম্না পাথোক্লগা দেলিগেট/ওবজার্ভরশিংগী ওপিনিয়ন হংবগী মওংদু নত্তে। চে'দুনা বেকগ্রাউন্দ পেপর ওইহল্লগা অচৌবা উপু অমগী থোঙ হাংদোক্লম্বনি, শাংলবা লেকচর অমগা। নুমিত্তুগী অনীশুবা পেপর, ডা. এস সুসিলাগী 'মণিপুরী থিয়েটরদা নুপীশিংগী থৌদাং' - অতাবশিংগী মাইন্দ অমসুং ইন্টেল্লেক অনীমক্তা য়ৈবা চে অমা ওইদুনা প্রোভোকেটিব ওইবা ইন্টরএক্সন অমনা তুংইন্নখি, ডাক্তর নোংমাইথেম তোম্বীনা ৱাতেমখি।

হুমনি চনবা সেমিনার, ৱারেপ্পা নব'না ৱাতেম্বা - লোইতোংবম ব্রজমোহনগী 'মণিপুরী থিয়েটরগী চাউরাকপা মশক অমসুং নুপীগী থৌদাং', ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মা'গী 'নুপী শুমাং লীলা অমদি মোইরাং পর্ব্ব', সারুংবম বিরেনগী 'মণিপুরগী নুপী পর্ফোর্মরশিংগী ফজরোল', হায়বা অমমমতা নৈনবদা নোংমদা মপূং শুকফা ফাররোইদবদু অযূক্কী সেসন অমদা পুল্লপ শূপচিনহন্দুনা, অপাবা অমদি অতাবা অনীমক্তা নীংবা থুংদবা হায়বদুমক থোকহনখি। অদুবু ৱাকচীংগী নোংনা মতা অমা ওইনা ঈংহল্লবা ঈশিং-নুংশিৎ মায়োক্লদুনা নৈনখিবদুনা তাকই - থৌরমদুদি মায় পাক্লে।

ঙসি, সেমিনারগী অরোইবা নুমিত্তা, অরুনাচল প্রদেশতগী 'কাগো মাগো', ত্রিপুরাদগী 'বিজলি চক্রবোর্তি' অমদি অসামদগী মীনাক্ষী গৌতম'না চে পাথোক্তুনা নৈনগনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# খোঙ হুমাং শৌগনবা- করিনা থোকহনবনো, ঙাকথোক্লবা অমদি ফহন্নবা পাম্বৈশিং



মতমগী মতুংইন্না খোঙদা হুমাং শৌবা হায়বসি হৌনশানি, অদুবু কা হেন্না হুমাং শৌগল্লবদি মদুবু প্লান্টর হাইপরহাইদ্রোসিস কৌই। খোঙ হুমাং শৌগনবা অসিনা খোঙ মনম নমথিবা, এথলেট'স ফুট অমদি টোনেল ফঙ্গসনচিংবা অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লক্লবগী মচাক অমা ওইহল্লকই

ইন্টর্নেসনল হাইপরহাইদ্রোসিস সোসাইটিগী মতুংইন্না মালেমগী মীওইশিংগী চাদা ৫দি হাইপরহাইদ্রোসিসগী খুদোংচাদবা থেংনৈ হায়রি। খোঙদা হুমাং কা হেন্না শৌগনবা মীওইশিং মশাগী খোঙ কংনবা হোৎনবদা নুমিৎ চুপ্পা অৱাবা ওই। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী স্বেট গ্লান্দশিং অয়াম্বা চাংদা লেপ্তুনা হুমাং পুথোক্তুনা লৈ, মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়াদি নুংঙাইতবগা লোয়ননা মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা নংবসু য়াওই।

প্লান্টর হাইপরহাইদ্রোসিস থেংননবা পাম্বৈ কয়ামরুম লৈ। পাম্বৈশিং অদুগী মরমদা মখাদা পীরি।

খোঙ হুমাং শৌবদগী ঙাকথোকপা: খোঙ হুমাং শৌরক্তনবা মখাগী পাম্বৈশিং অসি শীজিন্নদুনা য়েংবা য়াই:

**চানবা খোঙ মোজা উপ্পা:** মতম (সিজন) অমদি তৌরিবা থবক্কী মতুংইন্না চানবা খনগদবনি। অশাবা মতমদদি নুংশিৎ মরাঙ কায়না চঙবা য়ানবা কোট্টনগী খোঙ মোজা তোঙ্গদবনি। নিংথমথাগী মতমদনা শামতুগী মোজা তোংবনা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাই। নাইলোনগী মোজা তোংলোইদবনি, নাইলোন হায়রিবা সিন্থেতিক ফেব্রিক অসিনা ঈশিং মনিল ফাজিল্লি।

**এন্টিফঙ্গেল পাউদর শীজিন্নবা:** এন্টিফঙ্গেল পাউদর অমা শীজিন্নবনা খোঙবু কংনা থম্বগা লোয়ননা মনম চেলহন্দবদা মতেং পাংই।

**এন্টিপর্স্পিরেন্ট শীজিন্নবা:** হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংদগী খোঙদনা স্বেট গ্লান্দ খ্বাইদগী কুঙনা য়াওই। খোঙ নাম্মদা চাউরাক্লা স্বেট গ্লান্দ ১২৫,০০০ রোম য়াওই। এন্টিপর্স্পিরেন্ট দিওদোরেন্ট অসি হুমাং শৌগনবা খোঙগী ওইনদি শীজিন্নবদা য়াম্না লায়বা হীদাক অমনি। মসিনা স্বেট গ্লান্দশিংবু মতম খরগী ওইনা ব্লোক তৌরগা থমদুনা হুমাং থোকহন্দে। অমেরিকান একাদেমি ওফ দর্মাতোলোজিনা এন্টিপর্স্পিরেন্ট অসি নুমিদাং তূম্লমদাইদা অকংবা খোঙদা তৈরগা অযুক হৌগৎলক্লগা চামথোক্লবা রেক্কমেন্দ তৌই। থৌওং অসি নুমিৎ ৩-৪ ফাওবা নুংতিগী তৌরগা মতুংদগী অমুক চয়োল অমদা অমুরক নৎত্রগনা অনীরক তৌগদবনি।

**মতীক চাবা খোঙউপ খনবা :** কেনভাস নৎত্রগা লেদরগুম্বা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন ঙম্বা ফেব্রিকনা শাবা খোঙউপ তোঙ্গদবনি। পেটেন্ট নৎত্রগনা প্লাস্টিক্কী খোঙউপ তোংলোইদবনি, মসিনা নুংশিৎ চঙথোক চঙশিন য়াদবনা খোঙদগী থোক্লকপা হুমাং অদু মপান্দা থোকপা ঙমহন্দে। য়াম্না চিনবা খোঙউপ তোংবনা খোঙশাশিং নপশিন্নবনা হুমাং হেন্না থোকহনবদা মতেং পাংশিল্লি।

**ঈশিং মরাং কায়না থকপা:** মরুওইনা অশাবা নুমিৎ নৎত্রগা শাজেল তৌবা মতমদা ঈশিং য়াম্না থকপনা হকচাংগী টেম্পরেচর চাং চানা থম্বা ঙমদুনা হুমাং থোকপগী চাং হন্থহনবা য়াই।

খোঙ হুমাং শৌদনবগীদমক খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈ শীজিন্নরগসু মতম পুম্নমক্তদি মদুনা হুমাং শৌবা অদু ফহনগনি হায়বদি লৈতে। হুমাং শৌরিঙৈ মনুংদা মখাদা পীরিবা তৌগদবা থৌরাংশিং অসি তৌরগদি কান্নবা ফংবা য়াই :

**খোঙ চামথোকপা:** বেক্টিরিয়াশিং শন্দোরকপা থিংনবা নোংমগী য়ামদ্রবদা অমুক্তং ওইরবসু খোঙ চামথোক্কদবনি। হুমাং শৌরিবা খোঙ চামথোকপনা হুমাং অমদি বেক্টিরিয়াশিং চাথোকখিবতা নত্তনা খোঙবুসু ঈংথহন্দুনা মখা তানা হুমাং শৌহন্দবদা মতেং পাংই। নোংমদা য়ামদ্রবদা অমুরক নৎত্রগনা অনীরক্তি ওভর-দি-কাউন্টর এন্টিফঙ্গেল সাপোন অমা শীজিন্নদুনা খোঙ হামগদবনি। হাম্বা লোইরগা মরুওইনা খোঙলকশিং শেংনা তৈথোক্তুনা কংহনগদবনি। খোঙ চোৎলি-চোৎলি তৌবনা বেক্টিরিয়া অমদি ফঙ্গস মচা পোকহনবদা মতেং পাংই।

**ব্লেক টিদা খোঙ তীংবা:** লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং য়াওবা খুদেং অমদা ব্লেক টি বেগ অনী হাপ্পুনা য়ামদ্রবা মিনিট ২০ তীংগদবনি। ব্লেক টিদা য়াওবা টেন্নিন হায়রিবা পোৎলম অসিনা উনশাদা য়াওবা পোরশিং খুমজিহন্দুনা হুমাং শৌবা হন্থহল্লি।

**খোঙউপ শিন্দোকপা :** খোঙউপ অমনা নুমিৎ নীনি থংননা তোংবগী থৌওং থাদোক্তুনা য়েংবা য়াই। মসিনা খোঙউপ অদু মপুঙ ফানা কংহদবা মতম অমা পীগনি। থৌওং অসি হেন্না মপুং ফাহন্নবা খোঙউপ অদু নুংশাদা য়ামদ্রবদা পুঙ ১-২ ফৌবা য়াই।

রব্বিং অলকোহোল শীজিন্নবা: খোঙ হুমাং শৌবা য়াম্না থুনা ফহন্নবগীদমক খোঙশা কারক কারক্তা অমদি হুমাং থোকপা মফমদা রব্বিং অলকোহোল খজিক্তং তৈবা য়াই। মসিনা খোঙ অদু খুদক্তা কংহনবগা লোয়ননা মনম নমথিবসু ফহল্লি। অদুমওইনমক মসি য়াম্না তোয়নদি শীজিন্নরোইদবনি, মসিনা খোঙ অদু কংমনখিদুনা ইরিটেসন থোকহনবা য়াই।

মথক্তা পীরিবা পাম্বৈশিং অসিদা কান্নবা ফংদ্রগদি মেদিকেল এদভাইস লৌবা মথৌ তাগনি।

# নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেলগী মরিনি চনবদা ৱিংস ঠিএটরগী *হেলেন* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): খেঞ্জোংলাং ইম্ফালনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা কৈরাওদা লৈবা খেঞ্জোংলাংগী দ্রামা হোলদা চথরিবা নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেলগী মরিনি চনবদা ৱিংস ঠিএটর, অসামগী হেলেন হায়না মিংথোনবা দ্রামা উৎখ্রে।



ৱিংস ঠিএটর অসামগী হেলেন অসি কিসমট বানোনা দিরেক্সন পীবনি। দ্রামা অসিদা হেলেনগী রোলদা নীংথিরবা পর্ফোমেন্স কয়া পীরি। পুন্সিগী তাঙ্কক্তা থেংনবা হীরম কয়া দ্রামা অসিদা উৎলি। নুপী অমনা থেংনবা হীরম কয়া অমসু হেলেন হায়না মিংথোনবা দ্রামা অসিদা নীংথিনা মমি তারি। কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২ ফাওবা চথগদবা নোর্থ ইষ্টকী নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৪ দা হৌদোকখিবনি। সেমিনার য়াওনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাকপা নুপী দিরেক্টরশিংনা পুথোকপা দ্রামা কয়া ফেষ্টিভেল অসিগী মনুংদা উৎকনি হায়নসু মখা তারি।

## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): চিংঙাখম সনাজাওবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগী অরোইবা মীফম অমা থা অসিগী কাংমোং তোংব্রম লৈকায় ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না চিংঙাখম সনাজাওবা মেমোরিয়ল ট্রষ্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি পেবম কিরনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অরোইবা মীফম অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্কদবা মতম অমগী খোংজ ই লানগী লুচিং পুরেল ওইরম্বা চিংঙাখম সনাজাওবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবা শীঞ্জবা অখন্নবা মীফমনি। অখন্নবা মীফম অমদি থৌরম অসিদা কাংমোং অমদি মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক্লা শরুক য়াবীয়ু। চিংঙাখম সনাজাওবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক মীফম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়নসু মখা তারি।

## ওজাশিংগী ওইবা হীরম কয়া খন্নগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী মখাদা ইলিমেন্টরিদগী হায়র সেকেন্দরি ফাওবদা লৈবা প্রাইমারী গ্রেজুয়েট লেকচরশিংগী লৈঙাক্লা আর ও পি ২০১৯ গী ওইনা অরানবা শেমদোকপীদবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর এসোসিএসন জোন ৱানগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন গনধনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এদ্যুকেসন (এস)কী মখাদা লৈরিবা ইলিমেন টরিদগী হায়র সেকেন্দরি ফাওবদা লৈবা প্রাইমারী গ্রেজুয়েট লেকচরশিংগী পেন্নদবা কয়াগী মতাংদা মীফম অসিনা কুপ্পা খন্ন-নৈনগনি। থা অসিগী ২৮ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা খোয়াথোংদা লৈবা জেদ ঈ ও জে ান ৱানগী সী আর সীগী হোলদা মীফম অসি পাঙথোক্কনি। জোন ৱানগী মখাদা লৈবা প্রাইমারীদগী হায় স্কুল ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওজ ািশিং অমদি হেদ মাষ্টর লোয়ননা হেদ মিষ্ট্রেশিংনা শোয়দনা শরুক য়াবীয়ু। মীফম অসিদা ওজাশিংগী ওইবা হৌজিক থেংনরিবা ৱাফম কয়া খন্নগদৌরিবনি। আর ও পি ২০১৯ গী অরানবা শেমদোকপীদবা অসিনা ওজাশিংদা পেন্নদবা কয়া লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

## /PhD DEGREE AWARDED



**Mr. Yaikhom Vivekananda,** son of Yaikhom Birendra and Irungbam Ibeyaima of Khurai Chingangbam Leikai, Imphal-East, Manipur has been awarded Doctor of Philosophy in Agriculture (Genetics and Plant Breeding) by Central Agricultural University, Imphal, Manipur on 9th Sept., 2019 for his thesis entitled **"Identification of β-carotene rich maize (*Zea mays L.*) lines and introgression of this trait in popcorn using molecular markers"** under the guidance of Prof. J.M. Laishram, Department of Genetics and Plant Breeding, College of Agriculture, Central Agricultural University, Imphal, Manipur with first class distinction (8.52).

Mr. Yaikhom Vivekananda has also qualified JRF and SRF (PGS) examination held by ICAR in the year 2010 and 2013, respectively. Till now, he has attended various National Seminar, Symposium, Workshops and published research papers in both national and international journals; among the paper published one of the paper title "A Simple Modified DNA Extraction Method of Maize" was awarded best paper in June 2018 edition by the Transtellar Journal Publications and Research Consultancy. He is currently working as a Junior Research Fellow in the project entitled **"Development of high yielding, non-lodging and biotic resistant varieties of Black scented rice of Manipur and Joha rice of Assam through Biotechnological intervention"** under DBT, College of Agriculture, CAU, Imphal.

His research work can be followed at https://www.researchgate.net/profile/Yaikhom_Vivekananda

HL-P/5802/28



HL-P/5803/28-31dec/01-29jan

*থাজবা মাঙশিল্লক্লবা খুন্নাই অসিদা থাজবা থম্বা পাম্বা মীওইশিংনা করম্না হিংগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরক্লি*

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*রিনা পেবম ভাৰসার*
*মিসেস আইকন ৱর্ল্ড ২০১৯ গী ৱিনর*





তাইবং মপুনা খুদোল ওইনা শক-চু, শওং-শবাল নীংথিনা পীরবসু পুন্সিদা মায় পাক্লা হিংলিঙৈ পুন্সি মতেক অসিদা ঈমা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা থবক খরা তৌরমগে খন্দ্রবদি তাইবং মপুগী ফজরবা খুদোল অদু অরেম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু কনা অমদি শক-চু, শওং-শবাল নীংথিবগা লোয়ননা অৱাংবা ৱাখল অমগা লোয়ননা মশানা পামজবা লম্বীদা থেংলবসু থেংনা তৌদবা য়াদে হায়না মশাগী অনীংবা-অপাম্বশিং পাঙথোক্তুনা মমা লৈবাকপু শক তাকপা মীওই কয়া অমা লৈতবসু নত্তে। মিসেস আইকন ৱর্ল্ড ২০১৯ গী এৱার্দ লৌরকখ্রবী রিনা পেবম ভাৰসারসু চিনবান্দা মমা লৈবাকপু নুংশি হায়বা খক নত্তনা থবক ওইনা উৎখিবা মৈতৈ চনুরাশিং অদুগী মরক্তা মহাকসু অমনি।

রিনা পেবম ভাৰসার খুরাই লাইশ্রম লৈকায়দা পোকখি। লৈখিদ্রবা পেবম ইবোমচা সিংহ অমদি পেবম তিলোতামাগী মচানুপীনি। রিনা অহানবদা জেট এয়ররেজদা কেবিন ক্রু ওইনা চহী ৮ মুক থবক তৌরম্মী। মখা তানা কেবিন ক্রুজগী বেজ মেনেজমেন্ট ওইনসু থবক তৌরমখি। হৌজিক-হৌজিক্লা মহাক্কী মপুরোইবা চিন্তন ভাৰসার অমদি মহাক্কী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবী জিয়া ভাৰসারগা পূন্না কটারদা লৈরি। রিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ফেসনগী লাইনদা খোংদাদুনা মিস মণিপুর, মিস ইন্দিয়ানচিংবা ব্যুটি কন্টেষ্টশিংদা শরুক য়াবা পাম্না হৌরকখি। অদুবু খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়াওবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু মীওইবনা তৌগে খন্না তৌবু তৌরবদি থেংলবসু থেংনা শোয়দনা হোৎনজমনগী মহয় শোয়দনা ফংগনি হায়বদু রিনা পেবম ভাৰসারনা হন্দক মুন্থইদা পাঙথোকখিবা মিসেস আইকন ৱর্ল্ড ২০১৯দা ৱিনর ওইরদুনা মালেমদা শক তাকখি।

কুমজা ২০১৯দা পুনেদা পাঙথোকখিবা মিসেস ইন্দিয়া ইমপ্রেস ওফ দ নেসনদা মিসেস ব্যুটি ৱিদ পর্পজ অমদি ইন্টরনেসনল ক্যুনগী টাইটল অনীসু লৌরকপা ঙমখি। ইন্টরনেসনল ক্যুনগী টাইটল ফংলকখিবগী মতুংইন্না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ব্যুটি কন্টেষ্টশিংদা শরুক য়ানবগী অয়াবা ফংলকখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী এম্বেসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ২৯ না শরুক য়াখিবা ফেসন শো অমদা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়াখি। রিনা পেবম ভাৰসারগী খ্বাইদগী পামজবা এঞ্জাংদি থাংজিং য়াওরগা মোরোক শানা লোনবা পান ইরোনবনি। ৱানা হৌরকপা পুন্সি ওইরকপনা রিনাগী খ্বাইদগী পামজবা হোবি হায়রগদি লেমহৌরিবা পুন্সি মতেক অসি খজিক নুংঙাইনা হিংবা পামজবনা রোমান্টিক নোবেল পাবা অমদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক মেক্সিকন, ইটালিয়ন অমদি ইন্দিয়াগী মখল-মখা কয়াগী এঞ্জাং থোংবনা ওইরি। রিনানা খ্বাইদগী পামজবা এক্ট্রেস বালা অমদি এক্টরনা দেনি ওইরি। শৈশকপনা দিনেশ শর্ম্মানি। মহাক্লা খ্বাইদগী পামজবা মচুদি ইং তপ্পা মচু ওইবা লাইট পর্পলনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংদা মহৈ তমদুনা বেঙ্গলোরদা গ্রেজ্যুসন তম্বা লোইশিনখি।

ব্যুটি কন্টেষ্টতা মায়পাকপা পুরকপা ঙমখিবা অসি মহাক্কী মপুরোইবগী মতেং য়াওদনা কৈদৌঙৈদসু ঙম্লোই। মরম অদুনা মায়পাক্লকপগী অহানবা ক্রেদিট মহাক্কী মপুরোইবা চিন্তন ভাৰসারদা পীনিংই। লোয়ননা মেন্টোর মিসেস অঞ্জনা, কর্ল সর অমদি লমদম অসিগী মীয়ামবু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা দিজাইনর রোহিট বর্ম্মা, কোষ্ট্যুম দিজাইনর অর্বিন্দ তোঞ্জম অমদি শক্লাইরবা ফোটোগ্রাফর সনাতোম্বা খোংবান্তাবমবুসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা লাইনিং-লাইশোন থীদনা মালেমগী লৈবাকশিংদগী তম্বা য়াবা কয়া তমদুনা অমনা অমগী ফজবা ৱাখল্লোল অমদি ফজবা মতৌশিং তমদুনা মণিপুর ঈমা লৈবাকপু অমুক্লা হেন্না চাউখৎহনবা পান্মী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি। পুন্সিগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং অমদি অহল লমনশিংগী মতেং পাংদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা পান্মী হায়নসু রিনা পেবম ভাৰসারনা ফোঙদোরকখি। করিগুম্বা মণিপুরগী ফিল্ম পুথোক্লিবা মীওইশিংনা ফিল্ম কুম্বগী খুদোংচাবা পীবিরদি শোয়দনা কুম্বসু পান্মী হায়খি। লমদম অসিগী শক্লাইবা পোলিটিসিয়ন অমা ওইরক্লবদি ইহান হানবা থবক ওইনা লমদম অসিদা পিছ পুরক্লবা হোৎনগনি। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি অয়াম্বনা কম্মুনিকেসন গেব লৈবনা থোকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংনসু য়ারিবমখৈ মীয়ামগা তোয়না উনদুনা মীয়ামগী অপাম-পামদা তানহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মালেমগী মফম কয়াদা কোয়না চৎলুরবসু মণিপুরদা শেৎনরিবা ফিরোলশিং য়াম্না ময়েক থোকনা ফজৈ। লোয়ননা লমদম অসিদা চারিবা চাক-এঞ্জাং অঙকপা ফংনা হাউই অমদি লমদম অসিগী ফজরবা তোপ-তোপ্পা কলচর কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অদুবু লমদম অসিদা মরাল লৈবা মীশক অমনা অরানবা থবক তৌরগা মরাল লৈত্রবা যূমগী অহল-লমন অমদি অঙাংশিংদা চৈথেং কয়া পীবগী চৎনবী অসি শেমদোকহন্নিংই। মালেমগী নুপীশিং লোইনা হোৎনবা কনবী, খাংবা কনবী নুপীশিংনি অদুবু পুম্নমক অদুদগী মণিপুরগী নুপীশিংনা হেন্না খাংবা কনবী, থৌনা লৈবী অমদি হৈথোই-শিংথোইবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা লমদম অসিগী নুপীশিংনা লুহোংলে, যূম পাল্লে হায়দুনা ইশা-ইশানা পামজরম্বা লম্বী অদু থাদোকহন্নিংদে। যূমদা লৈরবদি মীনসু তোঙানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা হন্থনা খনবিবনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা যূমদা লৈবগী মহুৎতা ইশা-ইশানা পামজরম্বা লম্বী অদুদা মায়পাক্লা চৎহন্নিংই। লোয়ননা থাজবা মাংশিল্লক্লবা খুন্নাই অসিদা থাজবা থম্বা পাম্বা মীওইশিংনা করম্না হিংগনি হায়বসি লমদম অসিদা অচৌবা ৱাহং অমসু ওইরক্লি। ফজবা কলচর কয়ানা পীক থল্লবা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী থাজবা মাঙখিগদ্রা হায়বগী পাখৎপা অমসু ফাওদবা নত্তে হায়নসু রিনা পেবম ভাৰসারনা ফোঙদোরকখি।






ডা. খাইদেম অথৌবা